ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯷, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ২৭, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০০৫ শুবা মশীং

# বন্দ থিংনবা খোঙথাং

## তৌফম থোকপা লৈঙাক্কী থৌদাংসু বন্দ ঙাইগুমসি

***বন্দ নৎত্রগা ব্লোকেদ*** হায়বসি লোগী ৱাহন্থোক অমসুং কন্সটিট্যুসনগী ৱাহন্থোকশিং নৌনা হন্নরকপদা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্দবা ক্রাইম অমনি হায়না লৌনরে। য়াম্না তোয়না বন্দ অমসুং ব্লোকেদ তৌবনা মণিপুরদা পায়খৎপা চাউখৎ-থৌরাংগী থবক অয়াম্বা মঙম শালহন্দ্রে হায়বসু মীয়াম্না খঙনরে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তন্বদা শাথিরবা চৈথেং মায়োক্নরি হায়বসু মীয়াম্না খঙলে। ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ময়োল কাং-খোং চাইহনবা অমসুং লল্লোন-ঈতিক তৌবশিংগী খুবামনুংদা পোৎকী মমল লেপহন্নবা শীন্নবনা পোৎ-চৈগী মমল তাংনা লৈবগী খুদোংচাদবা মীয়ামদা পীরি। হৌখিবা চহী খরসিদা মণিপুরদা চহী ১ গী মনুংদা নুমিৎ ১০০ নি হেন্না বন্দ অমসুং ব্লোকেদ তৌদুনা লৈরগা ষ্টেট অসি কমদৌনা অতোপ্পা ষ্টেটকা চাউখৎ-থৌরাং পায়খৎপদা লম্বানগদৌরিবনো হায়বসিমদি অচৌবা ৱাহং অমনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি বন্দ ব্লোকেদ লৈতবা মফম ওইহল্লসি হায়না খোল্লাউ লাউনরক্লবনি। পাউচেদা ফাওবা বন্দ ব্লোকেদ লাউথোকপগী পাউ হাপ্পীরগনু হায়না আপিল তৌরকপা ফাওবা য়াওরবনি। বন্দ ব্লোকেদকী চৈথেংনা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরিঙৈদা পাঙথোকখিবা তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিবকী এসেমব্লি মীখল মমাঙদা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লুচিংবশিংনা মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈরবদি বন্দ ব্লোকেদ তৌহল্লোই, থিংগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। হৌজিক্তি বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা লাক্লে। মীখল মমাঙদা বন্দ তৌহল্লোই হায়খিবখক্তা নত্তনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতুং তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেবিটি এসেমব্লিগী অহানবা মীফমদা গভর্ণরনা পীখিবা এড্রেসতসু মণিপুরদা বন্দ ব্লোকেদ তৌহল্লোই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখ্রে। মরম অদুনা হৌজিক্তি লৈঙাক অসিগী মাঙদা তারিবা থৌদাং অসি বন্দ ব্লোকেদ তৌহন্দবা ষ্টেট অমা ওইহনবা হায়বসিনি হায়বা য়ারে। লৈঙাক্কী পান্দম অসি মণিপুর মীয়ামগী য়াইফননবা লন্বীরোমদা লৌরকপা ওইবনা তঙাইফদনা পুন্নমক্নসু শৌগৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইএন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমসুং মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন কৌবা লূপ অমনা থা অসিগী ২৫ গী অহিং নোংয়াই অদুৱাইদগী হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখি। অদুবু মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগীদি বন্দ কৌবা নুমিৎতুগী অহিং নোংয়াইদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনদুনা ৱারী শানরবা তুংদা য়ানবা পুরকপদগী জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং হন্দোকখ্রে। অদুবু দেসামনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুদি হন্দোকখিদে। লন্বীগী মফম অমত্তদা মীয়াম থোরক্তুনা নৎত্রগা মহৈরোয়শিং থোরক্তুনা অকায়-অতোই থোকহন্দ্রবসু নোংমাইজিংগী ছুটি ওইবগা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না লাউথোকরকখিবগা অনী অসি পারগা লন্বীদা মী চৎপগী চাং শাথিনা হন্থখি। শেন্মীৎলোনগী ময়োল ওইরিবা কৈথেল অয়াম্বসু থোঙ নিংথিনা হাংনখিদে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বন্দ অসি তৌহন্দনবা দেসামগী থৌমীশিং উননবা কয়ারক হন্না হোৎনখি। অদুবু মহৈরোয়শিং অদুনা উনসি হায়বা য়াখিদে। দেসামনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি নোংমাইজিং নুমিৎতা কৌরিবগী মরম অসিসু মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা অপনবা থোক্তনবনি, বন্দ ব্লোকেদনা মহৈরোয়শিংনা অপনবা থোকহন্দবা হায়বা পান্দম অসি দেসামনা ফংননবা হোৎনদুনা লাকখি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি দেসামনা করিগীদমক জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরিবনো হায়বসিনি। জিরিবামদগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলকপা অসবউদ্দিন নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্তা য়াওহনবগা লোয়ননা মঙোন্দা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম থিন্দোকপগী মায়োক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি কৌখিবনি। মণিপুরগী মীয়াম্না য়েলহৌমী কন্ননবা বিল অমা পুথোকউ, মীতোপ মীয়ানচাশিং ময়ুমদা হলহনখো হায়বা অকনবা দিমান্দ তৌরিঙৈদা য়েলহৌমী নত্তবা, মণিপুরগী সিটিজনদি ওইবা মীওই অমা লৈঙাকপদা য়াওশিল্লকপা চুম্ব্রা হায়বসি দেসামগী ৱাহংনি। অসবউদ্দিন য়েলহৌমীরা নৎত্রগা য়েলহৌমী নত্তবরা হায়বসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লেপথোক্লবা পাম্বৈ অমত্তা লৈরোই। মরমদি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না মসিগী সিটিজন অমা লৈনিংবা মফমদা লৈবা য়াবা অমসুং চৎনিংবা চৎপা য়াবগী মনিং তম্বা পীবা মরম্না লৈঙাক অমনা এম এল এ অসিবু মীরাইবা কৈদৌঙৈদসু য়ারোই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মীয়াম্না কমদৌনা মীতোপশিংদগী পীক্লবা মণিপুরী খুন্নাইবু কনগে হায়বা তারবদি কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চৈঙাক অমা ফংহনবা মতৌ তাই। মসি ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বদু মীয়ামগীনি অমসুং থবক্তা ওন্থোকপনা লৈঙাক্কীনি থৌদাংনি। অসিগুম্বা থৌদাং অসি পাংননবা হোৎনবদা লৈঙাক্নসু মীয়াম্না তৌরকপা বন্দ ব্লোকেদ ঙাইহন্নিংদে।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### য়ু মৈ থাও হায়বা নত্তে, য়ু য়োনবা থিংঙু হায়বনি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***য়াম্লবা*** য়ু মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়বসি ইতৎ তত্তনা পাউচেদা ফোটোগা লোয়ননা হাপ্পীরকপা য়াম্না তোয়না থেংনজে। মসিনা য়ু থিংবা ঙম্বীরব্রা? কৈদৌনুংদা ঙম্লোই। ঙমদদুনসু ঙসি ফাওবা লাক্লি। য়ু ফার-ফারগা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহল্লিবমখৈ য়ু য়োনবা অমদি য়ু শুংবা কাঙবুদদি য়াম্না হরাউনৈ। মখোয়দদি পোৎশিৎ য়াম্না ফরিবনি। অদুক্কী মতিক মৈ থাদোক্তুনা মাঙহল্লিবমখৈ মখোয়দদি পোৎশিৎ হেল্লি। অমুক হেক্তা লৌরুগনি অমুক য়োন্থগনি। মসিনা য়ু শুংবা কাঙবুদদি য়াম্না হরাউজে। মরম অসিনা প্রেসমেনগী মমাঙদা মৈ থারগা পাউচেদা ফোটোগা হাপ্লুরিবসিগী কান্নবসিবু কদায়দনো? মসিদি খোংবালদা হৌবা পাংখোক্লা পাম্বীদু ৱাশা শাজৈনা থবৎ কন্থৎপদা নোংঙানবগা ময়োল অমুক চোংখৎলকপগুম্বনি। পাংখোক্লা পাম্বীশিংদু হাৎতোক্লগে হায়রবদি মরা য়াওনা ফুক্লগা মৈ থাদোক্তুনা মরু ফংনা মাঙহল্লবদি অমুক হন্না হৌরক্লরোই। অসুম্না য়ু থিংগে হায়রবদি হৌরকফম মরুদগী হান্না ফুক্তোকপীগদবনি।

দুকান্দা জর্দা অমদি খৈনি য়োন্দ্রগবু কদায়দগী খৈনি, জর্দা চারুগদৌরিবনো। হৌজিক্কী মতমদা খৈনি চাবনা নুপানা হেল্লি, জর্দা চাবনা নুপীনা য়াম্না হেল্লি। মসিনা কেন্সরগী লায়নাদা য়াম্না মতেং পাঙলি। মসিসু দুকান্দা য়োলহন্দ্রবদি কেন্সর নারক্কদবদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগদৌরিবনি। দুকান্দদি ফোংনা ফোংনা য়ু য়োলহল্লি, খুল খুলদা ফোংনা মরাং কায়না য়ু শুংহল্লি। মসি লোয়না উনরিবা ঙাক্তনি। মসিদদি অয়াবা পীথোকপগুম্না ফোংনা করবার তৌহল্লগা শোমদনা য়ু থকপা মীবু ফবীবা অমদি য়ু মৈ থার-থারগা মাঙহনবনা করিমত্তা য়ু থিংবা ঙমগদবা নৎতে। অয়োনবা অমদি অশুংবদদি থিংবীদ্রগা, তৌবিরিবসিবু থিঙেন্দদি তাইনবীদ্রগা নাসিখোংদা তাইশিন্নদুনা লৈরবগুম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লগাদ্রা। খন্দুনা য়েংবিয়ু ইনখৎলক্লিবা নহা নুপা-নুপী অমদি অহল্লোন কয়াগী পুন্সি য়ু অমদি জর্দা-খৈনিনা মাঙহনখিগদৌরে। মরম অসিনা খুন্নাই অসিগীদমক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাকপু থিংবীগনি খনবীদুনা চোঙথোকপীরক্লিবা ওর্গেনাইজেসন কয়ানা মতৌ করম্না ময়াই কাবা পোৎশিং অসিদগী মাঙখিগদৌরবা মীওইবগী পুন্সিবু কনবীগদগে অমুক্তা খন্থমিন্নসি।

*অদোমগী - সিনাম ইবোচৌবা সিংহ*
*হৈরাঙ্গোইথোং মনিং চিংথাম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা।

২। ''তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্কা নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।'' পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?

৩। ''হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।'' ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?

৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী 'ধর্ম্ম তত্ত্ব' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। 'অমেরিকাগী খোঙচত্তা' লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোং পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## কারোত অখাবীদা তাবা লায়না

### ডা: এম থোইথোই সিংহ

***কারোট*** অখাবীদা তারিবা লায়নাশিংগী মনুংদা *পাউডরি মিলডিউ, ডাউনি মিলডিউ, এন্থ্রাক্নোজ* অমসুং *কোলার রোট* মমিং পনবা য়াই। মহৈ য়ানগদবা লৈগী মশীংদগী লাবগী মশীংনা হেনবা তোয়না থেংনরিবসিসু পোথোক হন্থনবগী অচৌবা মরম অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা কূপ্না য়েংশিনবীহৌরবদি অশোয়বদু চুমথোক্তুনা পোথোক হেনগৎহনবা য়াই।

**পাউডরি মিলডিউ ঃ** লায়না অসি কারোট অখাবীদতা নৎতনা খোঙদ্রুম, মাইরেন, তোর্ব্বোট, তর্বুজ শেবোতনচিংবা পাম্বীশিংদা তোয়না তাগনবা লায়নানি। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসিমক্লা আলু, হীদাকমনা, নুমিৎলৈ অমসুং হৈনৌনচিংবা পাম্বীশিংদসু নাহল্লি।

**লায়না অসিনা মফম খরদা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোকপগী মওং ঃ-** কুম অমদা তারিবা লায়নাসিমক মথং চহীদা করম্না থংথরকপগে হায়বদু নাখে শেংদ্রি। অদুবু ক্লৈষ্টোথিসিয়ম (কোকফাই অসিবু শন্দোকপা ঙম্বা ষ্ট্রকচর অমা) শেম্বা মফমশিংদদি মসিনা থংন-থংনবা চহীশিংদা লায়নাসি থংথনবগী পোৎশক অমসুং মরম ওইহল্লি। করিগুম্বা মতমদা কোনিডিয়েল ষ্টেজ ওইনা অতোপ্পা পাম্বীশিংদা মতম লেল্লুরবা মতুংদা কোনিডিয়া হায়না খঙনবা লায়না অসিবু শন্দোকপা ঙম্বা মরুশিং অদু মরী চৎপা পাম্বীশিং অসিগী মথক্তা তারৈ অমসুং লায়না অসি শন্দোরকই। মরুশিং অসিনা মনা অমসুং মউগী মথক ইথং থংবা সেলশিংদা মতুম তাবা হাওষ্টৌরীয়া হায়না খঙনবা ষ্ট্রকচর অদু থাদদুনা কারোট নৎত্রগা পাম্বীশিংদুদগী মহি চুপথোকই অমসুং পাম্বীদু তপ্না-তপ্না কংশিল্লকই। পাল্লিবা পোৎলমশিংদু (মহৈশিং) মপুং ফাবা ঙমদে।

**লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ** লায়না অসি পাম্বী মখল কয়াদা তাই। মমাংঙৈদা সল্ফর কাপ্নরম্মী। কারোট অমসুং মসিগী শাগৈ, সেম, অঙ্গুরনচিংবা পাম্বীশিংদা কাপ্নদ্রে। Sulphur shy লৈবননি। Karathane মিলিলিটর ৩, ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপসু য়াই। Myclobutanil (index) গ্রাম ৬ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। Azostrobin মিলিলিটর ৫ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপদা লায়না অসি ইরায় লায়না ফহনবা ঙম্মী।

**ডাউনি মিলডিউ ঃ** লায়না অসিনা মরী চৎপা পাম্বীশিং কারোট অখাবী, থবী, শেবোত অমসুং মাইরেলদা খ্বাইদগী হেন্না অকায়বা পীরিবা লায়নানি।

**লায়ওং ঃ** লায়না অসি পাম্বীগী মখা থাবা মনাশিংদগী হান্না উবা হৌরকই। মনাদা লৈরিবা দাগশিংদু মনাগী মশিঙশিংনা কোইশিনবা মরম্না এঙ্গুলার ওই, নাপু মচু ওইনা তৌরম্বদগী কোন্না মচু চঙলকই। দাগশিংদু চাউবা হেনগৎলক্কদবদু মশাগী মশিঙশিংনা থিংদুনা থম্বনা চাউবা হেনগৎলক্তে। দাগ মশীংদি হেনগৎলকই। নুংশিৎতা ঈশিং মনিল য়াম্না লৈবা মতমদদি দাগশিংগী মপাদা লৈরিবা মনাগী মখা থংবা শরুক্তা তিম্থুন নাপুন মচু চঙলপ তৌনা তোংথোক চাউথোকপা মান্না কোকফাইশিং হৌবা থেংনগনি। লায়নাসি তাশিল্লবা মনাশিং অদু মুশিল্লকপগা লোয়ননা মতম চাদনা কঙশিল্লক্কনি। লায়না অসিমক্লা মরী চৎপা পাম্বীশিংদুদা পাল্লিবা মহৈশিংখক্তদা তাশিনবা উদ্রগসু মপাঙ্গল শোল্লবা মনাশিংনা মতীক চানা মথৌ তৌবা ঙমদবদগী মহৈশিংদুগী চাউফম থোকপা চাং য়ৌহন্দবনা পোথোক য়াম্না হন্থহল্লি। লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই মখল অসি মরী চৎপা অহিংবা পাম্বীশিংদা হোং-হোংদুনা লৈরুরবা মতুংদা ঐখোয়না থাজরিবা পাম্বীশিংদা অমুক য়ৌরকই।

**লায়না অসিদগী কন্নবা পাম্বৈশিং ঃ** লায়না তারবা মনাশিং য়ারিবমখৈ লৌথোকপা ফৈ। হান্নদি Mancozeb, Ridomil কাপ্নরম্মী। অদুবু থোইনা কান্নবা ফংদে। খ্বাইদগী ফবা হীদাক্তি Azostrobin নি। হীদাকসি মিলিলিটর ১০ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়ানশিল্লগা মনাগী মথক অমসুং মখা থংবা শরুক অনীমক চোৎনবা কাপথোক্কনি।

**এন্থ্রাক্নোজ ঃ** পাম্বীগী মনা, মউ অমসুং মহৈনচিংবদা মুরপ তৌবা দাগশিং লৈগনি। দাগশিং শমজিন্নরক্তুনা চাওথোরক্কনি। মতুং তারকপদা মনাশিং খুইথরক্কনি অমসুং অতেনবা মতম খরগী মনুংদা কংশিল্লক্কনি।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ** লায়না অসি ঙাকথোক্লবা Zineb 75% WP নৎত্রগা Copper Oxychloride 50% WP গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

**কোলার রোট ঃ** লৈবাক্কা নক্লনা লৈরিবা পাম্বীগী মখোঙদা ঈশিং অশাবা চোংখিবা মানবা দাগশিং মুশিল্লপ তৌনা লৈগনি। লায়না অসি তাবগী মতম শাংথরকপগা লোয়ননা পাম্বীদুমক কংশিল্লক্তুনা শি।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ** লায়না অসি তাবা হৌরকপা মতমদা Hexaconazole 5% WP মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়ানশিল্লগা মখোঙ অমসুং মউ চোৎনবা কাপথোক্কনি। পাউডরি মিলডিউ অমসুং ডাউনি মিলডিউ তাবদগী Azostrobin কাপখিবা ওইরবদি মখল অয়াম্বা লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী।

তারিবা মখল কয়াগী লায়নাশিং খঙদোক্লগা পূন্নমক্তা কান্নবা পীবা ঙম্বা হীদাক থাবনা মতম অমসুং শেল চৎপগী চাং হন্থহল্লি।

কারোট অখাবী, মাইরেল, খোঙদ্রুম, থবী, তোর্বোট, শেবোত, তর্বুজনচিংবা মরী চৎপা পাম্বীশিংগী মপাল লাকপা মতমদা লাবগী মপালনা অমোমগী মপাল মশীংদগী য়াম্না হেনবা য়াওই। থৌওং অসিনা মহৈ পানবা ৱাৎপদগী পোথোক য়াম্না হন্থহল্লি। অমোম ওইবা মপালগী মশীং হেনগৎনবা Nitro borax মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খূদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। থৌরম অসি পাম্বীশিং লিশিন্দ্রিঙৈ হায়বদি নৌরিঙৈদা কাপথোকহৌগনি। থমজনিংবা ৱাফমদি পোথোক হেনগৎহনবা হায়বসি লায়না তীলনা ঙাকথোকপখক্কী মখা পোন্দে। পাম্বী থাবগী কাঙলোন চুমথোকপা চঙই।

# তিলহৌ লোকপা অমসুং লীবা

### এস সুমঙ্গল সিংহ



Mapaan shaaba tilhoushing



mangak loiraba tilhoushing



Thrips taraba tilhou

**তিলহৌ** মখল অনৌবা, অফবা কয়া থোরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী মফম কয়াদা তিলহৌ ফনা ফজনা থানরে হায়না লৌবা য়ারে অদুমকপু থানবগী চাংদি য়াম্না ৱাৎলি হায়বা তাই। হৌজিক থানরিবা তিলহৌশিং অসি মণিপুরগী ফীভমদা করম্বা মতমদা করম্বা মখল থারগা খ্বাইদগী মায় পাকপা ওইগনি হায়বা চপ চানা খঙদোকপা হায়বদুমদি খরা ৱাৎলিব্রা হায়নসু খল্লি। মসি অখঙ অহৈশিং অমসুং তিলহৌ থারিবা ইচিন ইনাওশিং অনীমক্কী ওইনা হায়জবনি। মরমদি থারিবা তিলহৌশিং মতম অমদি থাবগী কাঙলোন চুমদবা মরম্না মরু কাবা ৱাৎপা, মপান শাবা অমদি মরু কারমদাইদা মনা কংশিল্লক্তুনা মরু মপূং ফানা কাবা ঙমদনা লোইশিনখিবা অসিনচিংবা কয়া অমসু অদুমক থেংনরি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, ঙসিগী ওইনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি মরু নিংথিনা কাদুনা পোথোক ফজনা নিংথিনা ফংবা য়ারে হায়না আশা তৌরবসু লোকপা মতমদা খজিক্তং শোয়খিবা নৎত্রগা থম্বা মতমদা মওং চাদ্রবদি মতম শাংনা চঙনা হোৎনদুনা ওইরক্লবা তিলহৌশিং মফম মরাং খঙদনা অমাং অতা কয়া অমা থোক্তুনা ৱানা হোৎনরুবগী মহয় পূন্নমক মাঙখিবা য়াবগী তাঞ্জা য়াম্না লৈ হায়বা ৱাফম অসিনি। থমজনীংলিবা ৱাফমদি তিলহৌ লোকপা অমসুং লীদুনা থম্বা হায়বসি য়াম্না লায়না লৌবা য়াদে, খরা খজিক খঙনা চেকশিন্নীংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া অমা লৈ হায়বসিনি। খরা খঙজিনমিন্নসি।

তিলহৌগী খ্বাইদগী অমাঙবা ওইহল্লিবসি লীদুনা থম্বা মতমদা মতোন য়াম্না ঙন্না থোক্তুনা থম্বা য়াদদুনা মাঙবসিনি হায়বা তাই। ৱাফম অসি তিলহৌ কাঙলুপকী ওইনা খরা মখৈ খেন্নবদি লৈতবা নত্তে । অঙৌবা তিলহৌ মখলনা অঙাংবা অমদি পেক্রুকলৈ মচুগী মখলশিংদগী মতোন থোক্কনবগী চাং হেল্লি লোয়ননা মপূং ফারবা মতমদা লৈবাক্তুদা য়াওবা ঈশিংগী চাং অমসুং নাইট্রোজেনগী (য়ুরিয়াগী) চাং ৱাংবগসু য়াম্নমক মরী লৈনৈ। হায়রিবা অনী অসি য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওই। তিলহৌ মরুনা মওং তানা মপূং ফারকপা হায়বসি ময়াম্না য়েংবদা হেক্তা খঙবা পোৎ অমনি। মনাদি ফরগা মরু কাদ্রি হায়দুনা য়াম্না চিংনবা পোকপসু তৌবিরোইদবনি। মনানবু ফনা লৈরবদি মরু কাবদা নুমিৎ মশীং য়াম্না চঙবদি নত্তে। নুমিৎ ১৫-২০ নিদা মপূং ফানা মরু কাবা ঙম্মী। অদুবু তাঞ্জা অসিদা য়াম্না খূৎলৈ থুনা মনা খুদিংমক কনশিনবা অসি য়াম্না তোইনা, হৌরিবা তিলহৌশিং পূন্নমক মরু মপূং ফাহনদবা অসি হৌজিক হৌজিকমক থোক্লিবা ৱাফম অমনি। মসিগী মরুওইবা মরম অমদি মীয়াম্না খঙনদনা তিলহৌ মনাশিং থ্রিপস কৌবা তীল মখল, মিৎনা পাক হেক উবা ঙমদবা, অপীকপা হিকপী মানবা অমনা মনাগী মহী চুপথোকপদগী ওইহনবা অসিনি। মসি কূপ্না শেন্নবীবা চঙই। মনাদা হয়িং মথি পকপগুম মরিক মরিক লাংবা থেংনগনি। মনাদা খূৎনা শিৎতুনা য়েংবদা ক্রেং-ক্রোং লাওবা ফাওগনি, মনা অমা অনী থৎলগা অঙৌবা চেবাংদা কন্দুনা য়েংবদা অমুবা অমসুং নাপু হাইরপ চঙবা তীল মকুপ অসি ইরায় লায়না লেং-লেং চৎপা উগনি। মমিৎ থৌরিবা অঙাংশিংদা য়েংহনবীয়ু। মসি থেংনরবদি dichlorvos 76 SL হায়রিবা হীদাক অসি ঈশিং লিটর ১৫ দা মিলিলিটর ১০ য়াল্লগা ষ্টিকর অমগা য়াল্লগা অমুক অনীরক নুমিৎ মঙানি কান্নরগা মনা পূম্বা চোৎনবা কাপথোকপা মতমদা শোয়দনা ফগনি লোয়ননা তিলহৌ মরু নিংথিনা কাবা থেংনগনি।

তিলহৌ লোকপগী ৱাফমদি, য়েংবদা ফজরে মরু চাউরে হায়দুনা হেক্তা লোকপসু য়াদ্রি। পাম্বীগী মনাগী ফীভম য়েংবা তাই। মরু নিংথিনা মপূং ফারবা পাম্বীগী মনাশিং ৱাওথোরক্কনি নৎত্রগা নাপু মচু ওল্লক্কনি, অকনবা শরুকশিং য়াওরক্কনি। মতমসিদা ঐখোয়না খঙগদবসি তিলহৌ লোকপা মতম য়াশিল্লক্লে হায়বসিনি। মসিদা হেক্তা লোকপসু য়াদ্রি। লৈবাক্তা য়াওবা ঈনিলগী চাংনা মতোন থোকপগী চাংগা মরী লৈনবা মরম্না, মতমসিদা ঈশিং পীবা য়াদ্রে। হায়বদি লোক্কদবা নুমিৎ ১০-১৫ নি ৱাৎলিঙৈ মতমদগী ঈশিং পীবা লেপথোক্কদবনি। মতমসিদা ঐখোয়না য়েংগদবসি তিলহৌগী মখ্বাং হায়বদি মরুগা মথক থংবা শরুকশিংগা তায়নফম শরুকসি পায়বদা কন-কন লাউরম্বদগী পেৎথরক্কনি লোয়ননা ইহাম হাম্বা তাঞ্জা অমা লাক্কনি। লোয়ননা পাম্বীশিং মখ্বাং মপাদা তুথরক্কনি অদুবু মনাদি অদুমক খরা শাংনা লৈবা থেংনগনি। মতাংসিদা খঙবিগদবসি লোকপগী খ্বাইদগী ফবা মতমদি পাম্বীগী মতোন থংবা শরুক্কা তুথরবা অমসুং মনানা নাপু চঙলবা মতমদনি হায়বা ৱাফম অসিনি। হৌজিক্কী মতমদদি মণিপুরদসু তিলহৌ থাবগী মরু ওইবা মতমদি রবি (নিংথম) সিজনদনি হায়দুনসু নোংজু থা মতমদা থাবা য়াবা মখল থোরক্লবনিনা মথক্তা থমজরিবা মঙক লোইবগী ফীভম অসি ওইদবসু য়াই। মঙক লোইবগী থৌওং অসি নিংথম মতমদা থাবা তিলহৌদসু মফম অমদা হৌমিন্নরিবা তিলহৌ পাম্বী খুদিংমক মতম অমত্তদা মঙক লোইমিন্নবা ওইদবসু য়াই। লোকপা য়াবা মঙক লোইরবা মখৈ খন খন্দুনা লোকপা ঙল্লবদি খ্বাইদগী ফরে।



maru kaaba nanghouraba

কনা কনাগুম্বনা মপূং ফারবা, মনা ৱাওথরবা তিলহৌ পাম্বীশিংবু চাং মান্ননা মতম অমত্তদা মখ্বাং লোইনবা হায়দুনা মখ্বাং থুদেকপগী (দিনেকিং) থৌরম অমা পায়খৎনবসু য়াওই অদুবু মসি তৌদ্রবসু অদুমক য়াবা থেংনৈ। অসুম্না মখ্বাং নিংথিনা লোইরবা তিলহৌশিং লোকপনা মতম খরা শাংনা লীদুনা থম্বা মতমদা মতোন থোক্তুনা মতম কুইনা লীদুনা থম্বা য়াদবগী অৱাবা কোকপা ঙমহল্লি। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা অমনা করিগুম্বা তিলহৌনা মখ্বাং লোইরক্লবা মতুংদা অমসুং ঈশিং চনবা লেপ্পলবা মতুংদা নোং খরা কন্না অমদি মতম খরা শাংনা চুবা য়াবগী খুদম ফংলবদি খূৎলৈ থুনা তিলহৌ লোকশিলহৌগদবনি। অকনবা নোং থেংনখিবা তারগদি তিলহৌ লোকপা খরা হেন্না থেংথহনবতা নত্তনা অমুক নৌথোকহন্দুনা লোক্লবা মতুংদা মতম শাংনা লীবা য়াদবা য়াই। অসিদসু নত্তনা তিলহৌগী অকনবা মনা অমসুং মরুশিংগী মপান থংবা খরা কনাল্লিবাা শরুকশিং পৎপা পাম্বীগী শাথিবা লায়না থেংনদুনা অমাং অতা কয়া অমা থোকহনবা য়াই।

তিলহৌশিং য়ারিবমখৈ মরুগী মশা শোকহন্দনা হায়বদি থাংনা তেন্না শোক্তনবা চেকশিন্না ফুক্লবা হোৎনবীগনি। ফুক্লবা তিলহৌশিং লৌফমদা নুমিৎ হুমনি মরিনি অদুমক চাইখায়দুনা থম্নবা য়াওই। মসিসু অদুমক চৎনৈ। মশা খিংহন্নবনি । কনাগুম্বনা ফুক্লবা তিলহৌশিং লৌশিল্লগা উরুমদা শন্দোক্তুনা কংহনবসু য়াওই মসিসু অদুমক য়াই। অনীমক অসি লৌউ শিংউগী লোন্দা ক্যউরিং হায়না খঙনৈ। অসুম্না কংহল্লবা তিলহৌশিংগী মনাগী শরুকশিং অদু মরুদগী ইঞ্চি মখায়মুক্কী চাং কাখৎলগা ককথৎপীবা ফৈ লোয়ননা মরাগী শরুকসু ককথৎপীবা ফৈ অদুবু মরাদি কক্ত্রবসু অদুমক কংলগা মথনন্তা কেনজখিবনদি অয়াম্বনি। মরা ককপনা অরৈবা মীনা পাম্বা হেনবগী ৱাফমদি লৈ। অসুম্না শেল্লবা তিলহৌ মরুশিং কৈদৌনুংদা অকনবা নুংশাদা ফৌবিরোইদবনি। উরুমদা শন্দোল্লগা ফৌবনা খ্বাইদগী ফৈ। অসুম্না নিংথিনা কংহল্লবা তিলহৌ মরুশিংগী মরক্তা অচৌবা মঙক পানবশিং, মপান শাখ্রবশিং, মতোন থোকপগী খুদম উবশিং খাইদোক্তুনা থম্বীগনি লোয়ননা য়োন্থোকখিনবা নৎত্রগা হান্না চাথোক্লবা ওইনা থমগনি। মরমদি মখোয়শিং অসি কুইনা লীদুনা থম্বদা অরেম্বদা মাঙবনা হেল্লি। ৱাফম অমনা তিলহৌনা মরু নিংথিনা কাদ্রিঙৈদা মপান শাবগী খুদম ফংলবদি নৌরিবা মপানশিং মখোঙ থেংনা থেক্তৎতুনা লৌথোকপীগনি। থেক্তৎলবা মতুংদা অমুকসু অনৌবা মপান থিনগৎলকপা য়াই। মদুসু লৌথোকপীগনি। থৌওং অসিনা মপান শাবদা ইল্লমগদবদগী কন্দুনা মরুদা ইলহন্দুনা মরু মপূং ফাবা হেনগনি।

তিলহৌ লীবা মতমদা চেকশিনবা য়াবা ৱাফমদি অয়িং অশা অমসুং ঈনিলনি। অয়িংবা অমদি অকংবা মফমনা খ্বাইদগী ফৈ। লৈমাইগা তাইনবদা থল্লবদি ঈনিল ফংদুনা মরা থোক্লকপা য়াই। শাগৎপা মফমদা থল্লগনা মতোন থোক্লকপা য়াই। ইনিল ফংবগা লোয়ননা অশাবা মফমদা থল্লবদি মরা অমসুং মতোন অনীমক থোক্লকপা য়াই। লৈমাইদগী খরা ৱাংখৎপা মফমদা ৱাচেৎকুম্বনা খারা শারগা য়াম্নসু তাহন্দনা, হায়বদি ইঞ্চি মরিদগী হেন্না থানা লোনশিন্নদনা থম্বীগনি। অসুম্না থল্লবদি তিলহৌ মতম শাংনা থম্বা য়াগনি। তিলহৌ মরুগী মায়কৈ অয়াম্বদা মঙাল (নুংশাগী মঙাল নত্তে, অমম্বা নত্তবা হায়বনি) অমসুং নুংশিৎ ফংহন্নবা হোৎনগনি। মরক মরক্তা করি ফীভম ওইরি হায়বা চেক তৌবিবা ফৈ অপুম অরাক য়াওবা লৌথোকপীগনি।

মথক্তা থমজরিবা অরায়বা ৱাফমশিং অসি ইল্লবদি তিলহৌ নিংথিনা লোকপগী কান্নবা ফংগনি খল্লি।